# মণিপুর স্পোর্টস চাওখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরম্বা রঞ্জিৎ রোইনা লৈখিদবদা মহাকপু নীংশিংজবা

—লৈশাংথেম অজিৎ—

**মণিপুরবু** মালেমদা শক্তাক্লিবা মশান্নশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফুটবোল মশান্নবু লমদম অসিদা চাওখৎনবা হোৎনবিরম্বা, মীয়ামদা মশান্না অসিবু হেন্না পামহন্নবা লমজিংবীদুনা মথৌনা হাপ্পীবা, চহী নৌরিবা নুপামচা নুপীমচাশিংবু মালেমগী থাক্তা থোয়দোক হেন্দোক্না মতিং থোকপা শান্নরোয় ওইহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংবু মালেমগী থাক্তা মপূং ফানা চিংখৎপীনবা মশাদা কৎথোকপা অমগা লোয়নননা হোৎনখিবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মতম কুইনা সেক্রেটরি ওইদুনা মথৌ মশক খঙনা পাঙথোকপীরম্বা মশান্না অসিদা মণিপুরগী নুপী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংবু নমথদুনা থম্বা ঙম্নবা লিক্লমশিং য়াৎথোক্তুনা থবক থৌরম খুদিংমক্তা চেকশিন্না কায়াৎ শেমদুনা হোৎনবীরম্বা লাইফাংবম রঞ্জিৎ রোই, হান্না ইম্ফাল কোলেজগী ওজা ওইরম্বনা মনুং মতম চাদনা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ৩০দা মুম্বাইগী হিন্দুজা হোস্পিটালদা লৈখিদবদা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তগী মরুওইনা ফুটবোল শান্নববু অশিল অরাং তৌরিবা লূপশিং খক্তা নত্তনা ষ্টেটকী থাক্তা লৈরিবা মশান্না কয়া অমুক্কী লূপশিংনা নুংঙাইতবা অৱাবা ফোঙদোরকপগী পাউ (মহাক্কী) এসোসিএসন্দা পীরকপগা লোয়নননা মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু তুলিহলগী এরোপ্লেন তাফমদগী মপান কাংজেবুংদা লৈবা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী কেম্পস মনুংদা পুশিল্লক্তুনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম লোকেন, সেক্রেটরি রাজকুমার সনায়াইমা, ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সনাতোম্বা, ত্রেজরর দিনমনি, মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট শ্যামকিশ্বর, সেক্রেটরি ইনাওচা অমদি মণিপুর এথলেটিক্স এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ইতো তোংব্রম্না লুচিংদুনা তিল্লিবা মীয়াম অদুনা লৈ কত্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

লৈখিদ্রবা রঞ্জিৎ রোই কুমজা ২০০৫গী মার্চ ১৬তগী মহাক্কী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ওইদুনা মশান্না অসিবু চাওখৎনবা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনখি। মহাক্কী মতমদা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী ভিজন এসিয়া প্রোগ্রাম মায় পাক্না মণিপুরদা পাঙথোকখি অমদি ৱিন ইন ইন্দিয়া ৱিথ ইন্দিয়া হায়না খঙনবা প্রোজেক্ট অমগী মখাদা খূৎশেমগী নাপী (আর্টিফিসিএল টর্ফ) না শেম্বা ফুটবোল গ্রাউন্দ অমা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমসুং ইম্ফাল তুরেলগী মরক্তা শেমদুনা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নরি।

লৈখিদ্রবা রঞ্জিৎ রোইগা চহী ২৭ রোম লোইনদুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী ত্রেজরর ওইরিবা দিনমনিনা অসুম্না হায়, ওজা রঞ্জিৎ রোইগা ঐগা খঙনখিবা অসি কুমজা ১৯৯০গী অদুৱাইদনি । অম্ফাদা মহাক্না সেক্রেটরি ওইরগা ঐহাক্না ত্রেজরর ওইদুনা ফম পুমীন্নরকখি। ওজাগা মতম খরা লোইনবদা ঐনা থেংনখিবা ওজাগী মতিক মগুন ৱাহৈ খজিক্তং থমজরি অয়াম্বা শরুক্তি ৱাৎহৌরবনি।’ দিনমনিনা অসুম্না মখা তারকখি মদুদি রঞ্জিৎ রোইনা থবক অমা পাঙথোক্নবা তৌবদা মসি রুলনা য়াবনি, মসিনা য়াদবনি হায়বা মুন্না য়েংই, রুলনা য়াদবশিং অদু মহাক্না থোক থোক য়ারোই হায়দোকই। সেক্রেটরি অমা ওইনা করিগুম্বা থবক অমা তৌরকপা কান্দা করিদা শোয়খিগদগে, ময়াম্না করি হায়রক্কদগে হায়না য়াম্না কিনা চৎচবা মীওই অমনি। টুর্নামেন্ট অচৌবা পাঙথোকপগী সিজন্দা সেক্রেটরি ওইনা ওফিসতা থবক শুবদা অয়ূক পুং ৯/১০দগী নুমিদাংগী পুং ৫/৬ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী মতম কায়থোকপা ঙম্বা মীনি। মহাক্না অসুম্না মখা তাখি মদুদি ওজা অসি ফুটবোলগীনি হায়রবদি অসুক্কী মতিক চৎপদা তন্দবা নুপানি। মণিপুরদদি লায়রদনা অসামদা তৌবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ কয়াদসু মণিপুর টিম্না সেমী ফাইনেল, ফাইনেল চঙলক্লবদি মহাক্কী এম্বাসেদর কার মচু অশংবা এম এন পি ১৯৬৫ অদু মশানা থৌরগা মী ২/৩ খোমদুনা হেক্তা চৎতুনা টিমগী অৱাৎ অপা য়েংশিনবা সেক্রেটরিনি।



দিনমনিনা মখা তানা লৈখিদ্রবা রঞ্জিৎ রোয়দা লৈরিবা নুংগী ওইবা মীওইবগী মগুন, থৌজাল হৈবা, নুংশি লৈবা, অৱা অনাবু থৌগল তৌনীংবা, মীগী মতেং পাঙনীংবগী ৱাখল্লোনশিং অদু ফোঙদোরকখি। মহাক্না অসুম্না মখা তারকখি মদুদি মহাক্না অদুক কুইনা লোয়নবা মতম অদুদা মহাক্না কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা থিনা ঙাঙবা, শাওরপনা ঙাঙবা অমুক্তসু থেংনদে। মঙোন্দা নোংমা ফাওবা মীং পন্দুনা কৌবীদে ‘ত্রেজরর’ হায়না কৌবীদুনা মহাক্না হেক পোকমিন্নবা মনাওগুম্না লোয়নবি। মহাক্কী শাওগন্দবা, অঙাং অহল খায়দনা, কাঙলূপ-ফুরুপ নাইদনা পূম্নমকপু লোয়নবা হৈবা, ৱা য়াম্না ঙাঙদ্রবসু মরক মরক্তা ফাগী মতেক মতেক তৌদুনা মীয়াম্বু নোকহনবা ঙম্বগী মগুনসু লৈবা, করিগুম্বদা শান্নরোয়শিংদা থোয়দোক্না পীক্লিবা নুপামচা, নুপীমচাশিংদা ফাগী ফরাং তৌদুনা লক্লজরগা নুংঙাইবা ফাওজবা মীশকনি।

দিনমনিনা অসুম্না মখা তাখি ‘ওজানা মুম্বাইদা লায়েংদুনা লৈরিঙৈদা মরক মরক্তা ফুটবোল এসোসিএসনগী থবক থৌরমগী ৱারী শান্নখি। নোংমা তাং ২০/১২/২০১৭ (মহাক্না লৈরোইদবা নুমিৎ ১০নি ৱাৎলিঙৈদা) ফোন তৌরকখি। সেকেন্দ ২৫/৩০ রোম ৱারী শান্নরবা মতুংদা অসুম্না হায়বিরকখি- ‘ত্রেজরর ঐসে ময়ামগী মরক্তগা ফমদুনা ঙাইহাক ফাগী জুগাই তৌনদুনা লৈবা ফংগদৌবা মান্দ্রে। মদুদা ঐনা খুমখি - ওজা অদু য়ৌনা খনবিগনু, ওজানা মফম অদুদা লৈরিবা অদু ফননবগীদমক্তনি। করিসু খনবীগনু ঐখোয় ময়াম্না শোমদা ঙাইজরিবসু ওজানা ফৱগা লাকপা অদুনি - ঐগী মীত্তগী পি চদুম চদুম তারকখি- অরোইবদা খুম্বীরকখি - থেঙ্ক য়ু ত্রেজরর থেঙ্ক য়ু ।


ৱারেংজরিবনা রঞ্জিৎ রোই অহানবা ওইনা মশক উজখিবদি কুমজা ১৯৬২গী মে থাদা মরিশুবা অসাম রাইফলস (কংলা ফোর্ট) মনুংদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা (মতম অদুদা স্পোর্টসকী তোঙানবা দিপার্টমেন্ট লৈতে) এথলেটিক্স, ফুটবোল হোকি অমসুং জিম্নাষ্টিক্সকী কোচিং অমা থা অমরোম মপান্দগী কোচ কৌথোক্তুনা অয়ূক নুংথিল পাদুনা কোচিং অমা তৌখিবা অদুদনি। মতম অদুদা পটিয়ালাদা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস অশম্বীদা এন আই এস লিংখৎপা কুইদ্রি। কুমজা ১৯৬১দা লিংখৎখিবনি অমদি লাইবক ফবনা অফাওবা মমিং লৈবা কোচশিংনা মফম অসিদগী লাক্তুনা ঐখোয়বু তম্বীখি । মদুদা রঞ্জিৎ রোইনা হোকিদা য়াওখি, ৱারেংজরিবনা এথলেটিক্সতা শরুক য়াখি।


কোচিং তৌরিবা মফম অদুদা নুমিৎ মরি/মঙানি মণিপুর ষ্টেটস গেমস তৌই। মদুদা ঐনা খরা চহী নৌনা অহানবা ওইনা শরুক য়াই। ওপননি, জুনিয়রনি, সেনিয়রনি লৈতে মদুদা মহাক্না ঐবু উরম্বসু য়াই। অদুবু কোচিং চৎথরিঙৈদদি শান্নফম অনী অদু তোঙান তোঙানবা ওইবনা মহাকপু তোয়না উবা ফংদে, ঐখোয় অনী খঙনদে, কৌনদে।

কোচিং লোইরবা মতুংদা মেত্রিক পরিক্ষা হায়দোক্তুনা দি এম কোলেজদা লাইরিক তম্বা হৌরকপদা মহাক বি এগী অহানবা চহীদা তম্লম্বা অমুক উরে, ঐদি প্রি য়ুনিভর্সিটি ক্লাসতা তম্লে। চহী অদুদা মহাক কোলেজগী স্পোর্টস সেক্রেটরিগী ভোট লেপ্পদা কাখিদে, মদু ফাওবা ঐখোয় অনী শকউনবা নত্তনা ৱা অমত্তা ঙাঙনদে। মথং চহীদা মহাক বি এ অনীশুবা কারে। ঐহাক্না অহানবা কারে। কোলেজগী ভোট য়ৌরকপা মতমদা মহাক্না নোংমা ঐবু কোলেজ কেম্পস মনুংদা চৎলিঙৈদা চঙলক্লগা গেমস এন্দ স্পোর্টসকী ভোট লেপ্পু, কার্দ নম্মুরো হায়দুনা পৈশা খরা পীরকখি। ঐহাক্না ইয়া য়ানীংদনা ভোট লেপখি। হৌনবী মতুং ইন্না ভোট খোম্মী, অয়ূক্তা সাইকল তোংলগা ইম্ফাল শিনবা থুংনা দি এম কোলেজ মহৈরোয় লৈবা মফমশিংদা চৎমিন্নে। ভোট মকয়াদা হপ্তা অনীরোম ঐখোয় য়ূম শিংজমৈদা ঐগী মরুপ সুসিলকুমার স্পোর্টসকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইরম্বা অদুগা রঞ্জিৎ রোইগা ঐগী লৈকায়গী রঞ্জিৎ রোইগী চহী লেঙ্গাশিংগা লেকমিন্নদুনা ভোট কানবা হোৎনবদা ঐসু কাখিদে অদুবু মহাক অসি ঐগী তুংগী পুন্সিগী ওইনা লমজিংবীবা নুপা অমা ওইবিখি। মহাক্না ঐবু গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদা জিওগ্রাফি তম্নবা মীং চনবীখিবা মতমদা মহাক এদ্যুকেসন্দা ফাইনেল ইয়রদা তম্লম্মী। ঐখোয় অনীমক হোষ্টেল অমত্তদা লৈমিন্নে, য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় অমদি ষ্টাফশিংনা মহাকপু শান্নবগী হীরমদা ইকায়খুম্নবদা ঐহাকপুসু য়াওহল্লি। মহাক হোকি, ফুটবোল, বেদমিন্টন অমসুং বোল্লিবোলগী খনগৎলবা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবা মশক নাইবা শান্নরোয় অমসুনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী শক্লাইরবা নুপা অমা মাঙজরবনি। মহাক্কী থৱায়না ইংনা চিক্না লৈখিনবা ঐখোয়না তাইবঙ শেম্বা মপূগী মফমদা খুরুমজরি।

# অমুবা কালিনা ইহৌরগনি মখোয়গী মমিংদি

## (2017 Natural Bodybuilding Hall of Shame)






-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

**হেক তাবদা** করিনোনে সিবু, বনান লানবা মাল্লি মহাক্কীসে হায়না খনবীরম্বা য়াই। বনান লানবা করিসু য়াওদে। হোয় খনফম, হংফমসু থোকই মরমদি ময়াম্না তান্নরিবদি Hall of Fame হায়বদুনি। Hall of Shame হায়বদি অয়াম্বনা তানরমখিরোই হায়না খঞ্জে । মরমদি মসিগী ৱাহৈশিংসি INBA PNBA Natural bodybuilding association খক্তনা শীজিন্নবা ৱাহৈশিংনি হায়না খঞ্জে।

INBA PNBA (International Natural Bodybuilding Association, Professional Natural Bodybuilding Association) গী “Natural Bodybuilding Hall of Fame” লৈবতা নত্তনা Hall of Shame হায়বা মীংথোল অসিসু শান্নরোয়শিংদা পী। Natural Bodybuilding Hall of Fame কনা কনাবু পীবিবগে হায়রগদি নেচরেল বোদিবিল্ডিং অমদি ফিটনেস স্পোর্টসকী লমদা য়াম্না কখোল্লবা শান্নরোয়শিং, শান্ন-খোৎনবদা য়াম্না হৈথোই শিংথোইদুনা মকোক তারবা শান্নরোয়শিং অমদি নেচরেল স্পোর্টসপু কন্না শৌগৎচদুনা, মসিবু চাওখৎনবা কন্না হোৎনজবা মীওইশিং অদুবুনি। ইশামকসু এসিয়া পূম্বগী অহানবা মীওই অমা ওইনা 2017 Natural Bodybuilding Hall of Fame অসি মমাঙ চহী ২০১৭কী নবেম্বর ১২দা লাস ভেগাসতা পাঙথোকখিবা ২০শুবা নেচরেল ওলেম্পিয়াগী লোইশিনবগী অমদি মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফংজখিবনি। ঐহাকপু এৱার্দ অসি পীবিখিবগী মরমদি ঐহাক্না এসিয়াগী অহানবা শান্নরোয় অমা ওইনা নেচরেল ওলেম্পিয়া টাইটল অসিবু অমেচর অমদি প্রোফেসনেল লেভেল অনীমক্তা টাইটল লৌবদা নত্তনা নেচরেল বোদি বিল্ডিং অমদি ফিটনেস স্পোর্টস টাইৱান, কোরিয়া, ইন্দিয়া, জপান, মালেসিয়া অমদি অতোপ্পা এসিয়া লৈবাক কয়াদা শন্দোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌবগী অমদি নেচরেল স্পোর্টসপু হনবা লৈতনা ইন্দুনা চৎপগী অমদি শৌগৎপগীনি হায়না থমজগে। INBA PNBA গী Natural Bodybuilding Hall of Fame অসি ময়াম্না য়াম্না পাম্না “Ultimate Dream Award” হায়নসু খঙনৈ। মসিগী মনা অসিবু ফংবদি য়াম্না চাওথোকচনীংঙাইনি।

Hall of Fame দা নত্তনা INBA PNBA না Hall of Shame হায়রিবা মীংথোল অসিবুসু থল্লি। মালেমদা তোঙান তোঙান্না লৈরিবা শান্ন-খোৎনবগী দিসিপ্লিন খরদি Hall of Fame অসি থম্মী অদুবু Hall of Shame অসিমদি আই এন বি এ পি এন বি এ নত্তনা লৈত্রি হায়না খঞ্জে। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি নেচরেল ওইদবা, হায়বদি ষ্টেরোইদস, হোর্মোন অমদি চাহৈদবা, International Olympic Committee না হকচাংদা য়াম্না শোকই, ফত্তে হায়না থিংলবা পোৎলমশিং অসিবু শীজিন্নদুনা শান্নবা অননেচরেল ওইবা শান্নরোয়শিংনা নেচরেলগী ওইবা চেম্পিয়নশিপ কয়াদা নমথাক তৌদুনা চঙলক্তনবগী পাম্বে অমনি।

INBA PNBA Natural bodybuilding Hall of Fame award অসি পীদুনা কনাগুম্বা য়াম্না মীথোই মীহেল্লবা শান্নরোয় নৎত্রগা ষ্টাফ, জজ, আই এন বি এ পি এন বি এগা খূৎশম্নমা চৎতুনা নেচরেল স্পোর্টসপু থৱায় য়াওনা শৌগৎপীবা মীওইশিংবু থৌগৎপী অমদি ইকায়খুম্নবী, অদুবু মসিগী ৱাংমদা নমথাক তৌদুনা চঙলকপা কাঙবুদুনা মসিগী থিরবা অমুবা কালিনা ইরবা মীংথোল, Hall of Shame হায়রিবা মীংথোল অসি পীবনি। করিগুম্বা শান্নরোয় খরনা কনা খঙলরোই, উররোই হায়না নমথাক তৌদুনা নেচরেল চেম্পিয়নশিপ কয়াদা য়াওশিন্দুনা নেচরেল ওইনা কন্না হোৎনদুনা শান্নজবা শান্নরোয় কয়াগী ফংফম থোকপা শরুক্তু মুনবিখিবা কয়ারক থেংনরকপদগী হায়রিবা Hall of Shame অসি থমখিবনি। হৌজ-হৌজ, থেঙ্খাং-থেঙ্খাং কয়ারক নত্তবা, চাহৈদবা চিঙ্গাক হায়বদি ষ্টেরোইদস, হোর্মোন, ময়াই কাবা দ্রগস অমদি য়াদে চাহৈদে হায়না থিংলবা পোৎলম কয়াবু শীজিন্নদুনা শান্নবা শান্নরোয় কয়ানা মখোয় মখোয়গী নেচরেল নত্তবা লমদুদদি মকোক মথং থোংবা ঙমদ্রগা নেচরেল ওইনা শান্নজবা, মখোয়দৌনসু চাউজদবা ঐখোয়গুম্বা শান্নরোয় কয়াগী ফংফম থোকপা চাকথুং অমদি মনা কয়া মত্তুনা নীংবা কয়া কায়হনবা, থম্মোয় শোকহনবা অননেচরেল শান্নরোয়শিং অদুবু ইকায়বা পীদুনা অমুক হন্না লাক্তনবা থমখিবা মীংথোলনি।

নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয়শিংসি অয়াম্বনসু শেলগী ফীভম চাদবনা অয়াম্বনি। মখোয় অয়াম্বনা ষ্টেরোইদস, হোর্মোন্স অমদি অতোপ্পা বেন তৌরবা, এলিগেল ওইবা পোৎলমশিং লৈবগী শেলসু লৈজদে, লৈজবা কাঙবু ওইরবসু পামজদে। অসিগম্বা হকচাংদা শোকপা পোৎলমশিং অসিদা হুন্দোক্কদবা শেলদুবু অফবা হকচাংদা কান্নগদবা পোৎলমশিংদা থাদদুনা চহী কয়া কয়া চঙনা কন্না হোৎনদুনা, খজিক খজিক মশা ফবা হেনগৎহন্দুনা য়াম্না কন্না, ৱানা, লৈত-লৈত চহী কয়া হোৎনজবা নেচরেল শান্নরোয়শিংবু চাহৈদবা হীদাক চাশিল্লগা য়াম্না থুনা চহী ২/৩দা ফদ্রং চাউখৎপা ঙম্বা কাঙবুসিনা চঙলক্লগা নেচরেল এথলেটশিংগী হোৎনজমনগী মমলবু করিসু খনবীদনা হেক্তা চৎলক্লগা মখোয়গী ফংফম থোকপা চাকথুংবু হেক্তা মুন্দুনা পুখিবদি চুমদে হায়না নেচরেল শান্নরোয়শিংবু খরদা ওইরবসু ঙাকথোক্নবা হোৎনখিবা Hall of Shame নি।

Natural Bodybuilding Hall of Fame ফংবদি অদুক্কী মতিক চাওথোকচরিবনি। Hall of Fame অসিবু Ultimate Dream Award হায়নসু খঙনদুনা মঙলান কয়া তাওজরিবনি মীওই কয়া অমনা। অদুবু অসুক্কী মতিক ইকায়খুম্নবীবা এৱার্দ অসিগী ওন্ন-তৈনবদা Hall of Shame অসিনা ওইরি। Hall of Shame কনাদবু পীবগে হায়রগদি কনাগুম্বা শান্নরোয় অমনা মথক্তা পঞ্জখিবা চাহৈদবা, নেচরেল ওইদবা পোৎলমশিং অসি চাদুনা নমথাক তৌদুনা কনা খঙলরোই কায়না চঙলক্লগা আই এন বি এ পি এন বি এগী নেচরেল শোশিংদা য়াওদবা WADA (World Anti-Doping Agency) গী দ্রগ টেষ্টিংদা পোজিটিভ ওইরবা শান্নরোয়শিং অদুবুনি। চহী খুদিংগী Hall of Fame award পীবগুম Hall of Shame মীংথোলসু পীরি করিগুম্বা ফরগদি।

মমাঙ চহী (২০১৭) কী Hall of Fame award তোঙান তোঙানবা লৈপাক ৬তগী মীওই ৬তা পীখি (ওষ্ট্রেলিয়া, স্লোভাকিয়া, টাইৱান, য়ু এস এ ইটালি অমদি ওষ্ট্রেলিয়া) ঐহাক ইশামক মণিপুর অমদি টাইৱান অনীমকপু মহুৎ শিন্দুনা ফংখিবনি (Hall of Fame web site তদি লৈপাক অমখক ইবনা টাইৱান ওইনা ইরে, ৱারৌবীরোই ময়াম্না মসিগীদমক)। মখোয় তরুক অসিনা য়াম্না নেচরেল স্পোর্টসকী লমদা য়াম্না শিংথানীংঙাই ওইবা থবকশিং তৌখিবগীনি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদনা মীওই ৯ অমবুনা Hall of Shame মীংথোল অসি পীখি। মখোয় ৯ দুগী মনুংদা ৫না নুপীনি অদুগা মরিনা নুপানি। মখোয় ৩ অসিগী মনুংদগী নুপা অমনা অমেরিকান কোরিয়ন, নুপা অমনা কোরিয়ন অদুগা নুপী অমনা কোরিয়ন। অসুম্না মখোয় ৯ ফাবগী মনুংদা ৩ অসিনা এসিয়ন ওইরে, হায়বদি ৩ ফাবগী মনুংদা ১দি এসিয়ন ওইরে। মসিনা তাকপদি নেচরেল বোদি বিল্ডিং অমদি ফিটনেস স্পোর্টস অসি এসিয়াদদি য়াম্না নৌরি অমদি লৈবাক অয়াম্বদা চাহৈদবা পোৎলমশিং অসিবু খঙনা নৎত্রগা খঙদনা নেচরেল দাইটকুম শীজিন্নদুনা শান্নরি, চেম্পিয়নশিপ কয়াদা শরুক য়ারি হায়বদো তাক্লে। অতোপ্পা পনখ্রবা শান্নরোয় ৬ অমদুদি অমেরিকান অমদি য়ুরোপিয়ন শান্নরোয়শিংনি।

কুমজা ২০১৭ চহীগী তোঙান তোঙানবা চেম্পিয়নশিপশিংদা মখোয় ৯বু দোপিং টেষ্টতা ফাদুনা Hall of Shame গী অমুবা কালিনা ইরবা মীংথোল পীবদি য়াম্না চাওথোকচনীংঙাইনি, নুংঙাইনীংঙাইনি নেচরেল ওইনা শান্নজবা কয়াগীদি। কনাগুম্বা বোদি বিল্ডিং অমদি ফিটনেস ফেদরেসন/এসোসিএসন অমত্তনা আই এন বি এ পি এন বি এ না তৌরিবা অসিগুম্না চুম্না দ্রগ টেষ্টিং তৌবগী চৎনবীসি লৈখিদবা য়াম্না কুইরবনি। অতোপ্পা ফেদরেসন কয়ানা তৌরিবা টেষ্টিংশিংদুদি অয়াম্বনা মমীংগী ওইনা তৌবনি তৌদ য়াদবদগী। তৌরিবা অদুসু চাহৈদবা পোৎলমশিং চাবা কাঙবুদুদি তৌদে অদুগা চাদনা শান্নজবা, নেচরেলগী ষ্টেজ থোকপগীদি খঙজদ্রিবা শান্নরোয়শিং অদুবু খনগৎতুনা টেষ্ট তৌবনি। মসিমক ইশামক্তা অমদি ঐহাক্কী মহৈরোয়দা কয়ারক থোকখ্রবনি। মদুগী শেংদবা মওং অদু উবদগী ঐ ইশামক আই এন বি এদা য়াওখিবনি। টেষ্টিং তৌবা হায়বসিদি দ্রগ চাবশিংদুবু ফানবনি। মখোয় মখোয়দদি তৌদদুনা চাজদবা কাঙবুদা তৌরবদি কদাইদগী ফবা ঙম্লদগে। মসি হায় হায়দুনা ১০০% তৌদব্রা হায়বসু মরক মরক্তগদি অদুম চুম্না তৌবসু য়াওই নৎত্রগদি হায়র ওথোরিটিশিংনা করম্না দ্রগ চাবা অমত্তা ফাবা ঙমদ্রিবনো হায়না হংলক্কনি কিবদগী।

-মথং-মথং

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৩

১। সনা কোনুংদা ‘তানয়ৈবা লোয়শঙ’ হায়বা অমা লৈরম্মী। মদু কুমজা ১৫৪দগী ২৬৪ ফাওবা পাল্লম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা লিংখৎলম্বনি। মদুগা মরী লৈননা মখাগী ৱাহং অনীসিগী পাউখুম পীয়ু।
(ক) হায়রিবা নিংথৌদু কনানো? (খ) পূং য়ৈনবা চৈ অদুগী মমিং করি কৌই?

২ । “ঙসি নোংজুগী অমম্বা অহীংসিদা/লাকচরি ইবুংঙো নঙগী মায়কৈদা/নঙগী লাইশঙদি চেৎনা লোল্লম্লে।” পরেংশিংসি ‘সন্ধ্যাগী ঈশৈ’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩ । “ঐ...ঐ/য়ূমসিগী য়ূম্বুনি/লংফৈ হল্লকপনি।” ৱাহৈশিংসি কনানা হায়বনো? কবি নহাদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “য়ূম পাল্লে হায়বতং থোক্লে তৌবনি/...ঐ লৈদি লৈরোই।” ৱাহৈশিংসিনা এম কে বিনোদিনীগী ‘বড় সাহেব ওংবী সনাতোম্বী’ দগী লৌথোকপনি। কনানা হায়বনো?

৫। নিংঙোম্বম ইবোবীগী ‘কর্ণগী মমা অমসুং অরোইবা য়াহিপ’ পু ইংরাজিদা হন্দোকপদু কনানো? মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**